**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙসি জিরিবামদা থুংখ্রে।
রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্ত্রগদি খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক ৱামিন্নগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি।

২) মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- সাহিত্যনা খুনাইগী মীংশেল ওইবতা নত্তনা মতম নাইদবা গুন অমসুং চৎনরোলশিং মথং মথং পুদুনা লাক্লি।

৩) লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা মণিপুরগী জিলা অয়াম্বদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়না মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা খঙহল্লক্লি।

৪) কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়রি- লৈবাক মীয়ামদা চাকথোং গ্যাস, দিজল অমসুং পেট্রোলগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা সরকারনা হোৎনরি।

অমসুং

৫) জাতি অমা শেমগৎপদা শিক্ষাগী থৌদাং য়ামা চাউই হায়না উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ফোংদোকখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্ত্রগদি খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক ৱামিন্নগনি। হৌখিবা কয়া

কাউথোকদুনা অমত্তা ওইবগী লম্বীদা চংশিনমিন্নশি।

জিরিবামগী নিউ আলিপুরদা পাঙথোকপা থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- জিরিবামদা ঙসি তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিংনা পুন্না থৌরম অমদা শরুক য়ামিন্নবা অসিমক অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবগী লম্বী য়াৎলগনি। কাংলুপকী খেনবা থমদনা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নবগী শক্তম অসিনা রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি শান্তি হঞ্জিল্লকপদা মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নরবা মতমদতা খুমাং চাওশিনবা, চাওখৎপা খুনাই অমা পুরকপা ঙমগনি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ভিক্সিত ভারত অমসুং ভিক্সিত মণিপুরগী মঙলান মঙফাওনহল্লশি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌখি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙসি জিরিবামদা থুংখি। মহাকা লৈঙাংপোকপী পুলিস আউট পোষ্টতা থুংলবদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কন্মিসনার অমসুং এস.পিনা লুচিংদুনা মীয়ামা তরামা ওকখি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- লৈঙাংপোকপী পুলিস আউটপোষ্টতা ময়ামা হরাউ তয়ামা ওক্লবা তুংদা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং মহাক্কী কাংবুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমসুং লমলেন খুলদা চত্তুনা খুঙ্গং অদুগী চাওখৎ থৌরাংগী ফিভম য়েংশিনখি।

খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা হয়েং চন্দ্রপুরদা ইন্টর ষ্টেট ত্রক টার্মিনস য়াওনা চাউখৎ থৌরাংগী অতৈ প্রোজেক্ট কয়াসু যাত্রা হুনগনি। মদুগী তুংদা, শ্রী খেমচান্দ অসামগী কছার জিলাগী মনুং চনবা উধারন বিধান সভা কেন্দ্রগী রোংপুর অমসুং হৈলাকান্দি বিধান সভা কেন্দ্রগী জারিবোনদা পাঙথোকপা বিধান সভা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংগনি।

অমরোমদা ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- মুখ্য মন্ত্রিগী কাংবু অসিনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বগী খোংসাং সি.আর.পি.এফ কেম্প য়ৌরকপদা রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুর (আর.এন.সি.এম)গী প্রসিদেন্ট কে.সি. সেরিওনা লুচিংবা কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং মহাক্কী কাংবুবু তরামা

ওকখি অমসুং মখোয়গী দাবী কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিদা এম.এল.এশিং-হৈখাম দিংগো, কোংখাম রোবিন্দ্রো, সাপম কুঞ্জকেশ্বর, তোংব্রম রোবিন্দ্রো, সাপম রঞ্জন, মহামদ অসব উদিন, সৈখ নুরুল হাসন, লৌরেম্বম রামেশ্বর, সনসম প্রেমচন্দ্র, বি.জে.পি. ষ্টেট প্রসিদেন্ট-এ. সরদা দেবী, ভাইস প্রসিদেন্ট-সি.ঐচ. চিদানন্দ, কম্মিস্নার হোম-এন. অশোককুমার অমসুং পি.ডব্লিয়ু.ডিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার-চোংথাম বিশ্বচন্দ্র য়াওরি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- সাহিত্যনা খুনাইগী মীংশেল ওইনা অমসুং মীরোলশিং মথং মথং শমহনবগী থোং ওইনা মতম নাইদবা গুন অমসুং চৎনরোলশিং মথং মথং পুদুনা লাক্লি। ঙসি নিউ দিল্লিদা রাজ্যপালনা সব পর রাম তপস্বি রাজা কৌবা লাইরিক অমা ফোংবগী থৌরমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

লাইরিক অদু ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি অসুতোস অগিহোত্রিনা ইবনি।

নোং(এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা মণিপুরগী জিলা অয়াম্বদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। হয়েং রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই। থা অসিগী ৬ তনা তমেংলোং, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম ত্রিপুরা, অসাম, মেঘালায়া অমসুং খা থংবা ভারতকী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

জম্মু কাশ্মির য়াওনা নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা ঙসি নোং কন্না চুগনি। ময়াই থংবা ভারতকী মফম কয়াদনা লেন য়াওনা নোং চুগনি।

ঈ (এল)ঃ ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দি.এম.য়ুনিভর্সিতি ষ্টাফ এসোসিয়েসন্না ববিনা ব্লড সেন্তরগা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

এনআইটি (এল)ঃ ককচিং জিলাগী মন্তকতা নৌনা শাবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিগী ফিভম ঙসি এন.আই.টি. ইম্ফালগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসার কে.ঐচ. তোম্বনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মণিপুর কলেজ এলুমাই এসোসিয়েসন অমদি হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী মীহুৎ ঙাংবম নোংয়াই শরুক য়াখি।

এমসু (এল)ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না হায়রি- মণিপুরগী মফম কয়াদা নারোনদা মীতোপ মীয়ানচাশিং চংশিল্লক্লিবা অসি খন্দোকবা সরকারনা থবক পায়খৎকদবনি।

থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা নৱা শিন্দমশঙদা পাঙথোকপা একাদমিক কেম্পেপন অমদা ৱা ঙাংলদুনা য়ুনিয়নগী সেক্রেতরি জেনেরেলনা হায়- চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা রিএলাইজেসন ডেগী থৌরম অদু চহি অসিদগী হৌদুনা থাবুম অমা চুপনা পাঙথোক্লগনি। মীতোপকী মশিং কা হেন্না হেনগৎলকপনা য়েলহৌমীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। মরম অদুনা সরকারনা এন.আর.সি পাঙথোক্লবা মতুংদা মীকোক থীবগী থবক চথুগদবনি হায়নসু তকশিল্লক্লি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থৌবালগী মফম কয়াদসু পোষ্টর কেম্পেপন চথুখি।

পেট্রোল্লিয়ম ঃ কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়রি- লৈবাক মীয়ামদা চাকথোং গ্যাস, দিজল অমসুং পেট্রোলগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা সরকারনা হোৎনরি। মীয়ামা মরম চাদনা পেট্রোল অমসুং দিজল লৈশিনবা অমসুং গ্যাস বুক তৌবগী থৌওং চথুবীগনু।

মন্ত্রালয়না হায়- সরকারনা মীয়ামদা পেট্রোল্লিয়মগী পোখোক অমদি চাকথোং গ্যাসকী অৱাৎপা লৈহন্দনবা থৌরাংশিং পায়খৎলি। এল.পি.জি য়েন্থোক্লিবশিংদা মীয়ামা ইশাগী শক্তাকচে উৎলগা কিলোগ্রাম ৫ গী গ্যাস সিলিন্দর লৌবা য়াগনি। মার্চ ২৩ ফাওবদা কিলোগ্রাম ৫ গী গ্যাস সিলিন্দর লাখ ৫ লিশিং ৭০ য়ুম কয়াদা ফংহনখি। মন্ত্রালয়না হায়- ঙরাং ফাওবদা গ্যাস বুক তৌরকপগী চাং চাদা ৯৫ হেনখি। অদুগা য়ুমদা শিজিন্নবা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর লাখ ৫১ য়ুমথোঙ কয়াদা ফংহনখি। ইলেক্ট্রিক কুকটোপস, ইন্দক্সন অমদি পি.এন.জি শিজিন্ননবা মন্ত্রালয়না মীয়ামগী পুকিং চিংশিল্লদুনা হায়- হৌজিক ফাওবদা য়ুমথোঙ লাখ ৩ মখায় হেনবদা পি.এন.জি কন্নেক্সন ফংহনখ্রে। অদুগা য়ুমথোঙ লাখ ৩ রোমদনা কন্নেক্সন তৌনবা রেজিষ্টর তৌরকখ্রে।

অমরোমদা, পোর্ট, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রালয়গী মাইকৈদগী হায়রি হৌজিক মালেমগী ওইরিবা ফিভম অসিদা মন্ত্রালয় অসিনা সমুদ্রগী লম্বীদা পোৎচৈ পুথোক পুশিন তৌবগী থবকশিং নিংথিনা য়েংশিল্লি। মরক অসিদা, ভারতকী এল.পি.জি টেঙ্কর গ্রিন সনভি লান নংলবা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুস লান্থোকখ্রে অমসুং হৌজিক ভারত্তা লাকপগী লম্বীদা লৈরি।

সরকারগী পাউনা হায়- নোংচুপ এসিয়াগী লান হেক হৌরকপদগী গ্রিন সনভি অসি ষ্ট্রেট ওফ হোরমুস লান্থোক্তুনা লাকপা ভারতকী ৭ শুবা এল.পি.জি টেঙ্করনি। ভারত মচা ৪০০ হেন্না য়াওবা ভারতকী জহাজ ১৭ পার্সিয়ান গল্ফকী নোংচুপ থংবা শরুক্তা হৌজিক লৈরি।

অমরোমদা, চাকথোং গ্যাস য়েন্থোকপদা অশোইবা কয়া তৌবা অমসুং অপিবা চৎন কাংলোন ঙাক্তবগীদমক অসাম সরকারনা রাজ্য অদুগী এল.পি.জি দিষ্ট্রিব্যুতর ৫ সস্পেন্দ তৌখ্রে। হৌজিক নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা অসাম সরকারনা রাজ্য অদুদা এল.পি.জি ফংহনবগী মওং কুপশেন শেন্নরি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি- জাতি অমা শেমগৎপদা শিক্ষাগী থৌদাং য়ামা চাউই। ঙসি বিহারগী মোতিহারিদা মহাত্মা গান্ধি সেন্ত্রেল

যুনিভর্সিতিগী অহুমসুবা কনভোকেসনদা তিনখিবা স্কোলারশিং অমসুং ফেকলতি মেম্বরশিংদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংখি। উপ-রাষ্ট্রপতিনা মহৈরোইশিংদা সনাগী তকমান অমসুং সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখি। মহাকা হায়- সরকারনা মপুংফানা চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা শিক্ষনা য়ামা মরুওইবা মচাক অমা ওইরি। মহাকা হায়- মহৈ মশিং নিংথিনা হৈরবা নহা ওইরিবা মহৈরোইশিংনা ভারতকী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবনি। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা মহৈ মশিং তম্বা থৱায় হকচাং য়াওবগা লোয়নননা অনৌবা ৱাখল লৌশিং কয়া পুথোক্তুনা মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা য়াওনবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদু লোইরবা তুংদা শ্রী রাধাকৃষ্ণন নোংচুপ চম্পারন জিলাগী গৌনাহা ব্লোকতা লৈবা ভিতিহরৱা গান্ধি আশ্রমদা চত্তুনা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

এনআইএ ঃনোংচুপ বেঙ্গলদা মীখলগা মরী লৈননা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)গা কাংবু অমনা ঙসি মালদাদা লৈবা কালিয়াচক-টুগী বি.দি.ও ওফিসতা চত্তুনা কার দ্রাইভর অমা ৱাহং পাউহং চথখ্রে। দ্রাইভর অদুনা থৌদোক অদুদা জ্‌দিসিয়েল ওফিসিয়েল ৭ য়াওনা অতৈ ওফিসিয়েল কয়া কনবদা য়াওখিবা মীওইনি। এজেন্সি অসিনা জ্‌দিসিয়েল ওফিসিয়েল কয়া থৌদোক অদুগা মরী লৈননা যুমশকৈশা নুমিৎতা ৱাহং পাউহং চথখি। সুপ্রিম কোর্টকী পাউতাক মতুংইন্না ইলেক্সন কম্মিসন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা এন.আই.এদা শিন্নখিবনি।

ই.সি ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়রি- ভোতরশিংনা ই.সি.নেট প্লেটফোর্ম শিজিন্নদুনা মখোয় মখোয়গী বিধান সভা কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরিবশিংগী মহৈ মশিংগী থাক অমসুং ক্রিমিনেলগী ওইবা রেকোর্দ লৈব্রা হায়বদু কুপা খঙবা য়ারগনি। ভোতরশিংনা মীরেপশিংনা পীখৎলকপা এফিদেভিৎশিং দাউনলোদ তৌবসু য়াগনি।

মন্দাভিয়া ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং পুদুচেরিগী বি.জে.পিগী ইলেক্সন ইনচার্জ ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- বি.জে.পিনা লাউথোক্লিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মীয়ামা চেৎনা থাজে। অদুনা এন.দি.এনা মাহে লমদমদা পাক্তকনা মায় পাক্কনি অমসুং পুদুচেরি বিধান সভা মীখলদা মখোয়না শোইদনা শক্তি পায়গনি হায়রি।

রেলৱে ঃ ভারত রেলৱেনা ওপতিকেল ফাইবর কেবল বেকবোন প্রোজেক্ট পায়খৎপদা অয়াবা পীখ্রে। প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি ৩৯৮ চংনা অহমেদবাদ অমসুং রাতলম দিভিজনদা পায়খৎকদবনি। মন্ত্রালয়না হায়- প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা ৱেষ্টর্ন রেলৱেগী শরুক অমা ওইরিবা অহমেদবাদ দিভিজনগী কিলোমিতর লিশিং ১,৪৫৬ অমসুং রাতলম দিভিজনগী কিলোমিতর ৪৭৩ শাংবা রেল লম্বীশিংদা পায়খৎকনি। সরকারগী খোঙথাং অসিনা রেলৱে কম্ম্যুনিকেসন সিষ্টেমদা চাউনা অহোংবা অমা পুরকপদা নত্তনা রেলৱেগী সিগনেলিং সিষ্টেম ফগৎহনবদা নত্তনা কভচ মপুং ফানা পায়খৎপদা মতেং ওইরগনি।

উত্তর প্রদেশ ঃ উত্তর প্রদেশ পুলিসনা লখনৌদা আই.এস.আইগী মোদ্যুল অমা থুগাইখ্রে অমসুং মদুগী হেন্দল্লরনি হায়না চিংনবা মীওই মরি ফারে। মখোয়শিংদুনা রেল ষ্টেসন য়াওনা মরুওইবা মফম কয়াদা বোম পোকখায়হন্নবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- কৈশামথোং কাংখুৎনা গোপাল দেব কাংখুৎপু পাঞ্জল ২০-১৭ তা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা- কৈশামথোং এফ.সি অমসুং থাংমৈবন্দ এফ.সি. মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কৈশামথোং এফ.সিনা ভি.এফ.সি ককৱাবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখি। অনিসুবা মেটচতা থাংমৈবন্দ এফ.সিনা টি.আর.ভি.এস.এ মালেমবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। হয়েং অহানবা সেমি ফাইনেলদা ই.এম.এফ.সি লল্লাই অমসুং এ.এফ.এফ.সি ইম্ফাল শান্নগনি।

ফুটবোল ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রি লৈকাই রাইজিং কবনা শিন্দুনা চথরিবা অহানবা কে.আর.সি. ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ.কে.এফ.সি.সি ক্বাক্তা অমসুং শঙ্গাই হেরোস মায় পাকখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এ.কে.এফ.সি.সি ক্বাক্তানা এফ.এফ.সি.এ টিম-এ অংথাবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা শঙ্গাই হেরোসনা সভেন ব্রদরস লিলোংবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা খা ঙাক পল্লেল অমসুং য়ু.এম.এফ.সি মোইজিং পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

ফুটবোল ঃ সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিসুবা সমরাম ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মালেম এফ.সিনা এস.দি.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা অমদি পি.এফ.টি.সিনা চরন এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ চহি ১৫ মখাগী নুপীশিংগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি কোংবা ধোবী লম্পাক সেদোক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুংনা এস.টি.ৱাই.সি.সি শগোলবন্দ তেরা কৈথেলবু রন ৩৩৫ দা থোখি। ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ় পার্ট টু পেচু লম্পাকপু রন ৬৯ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী ৫ শুবা এম.এন.সি.এ ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা অমকা থৌবালনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু রন ৩০ দা থোইখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাওথোং খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদনা আর.সি.এ লিলোংনা ত্রাউ ব্লাকৈথেলবু রন ১৮৭ তা থোইখি।

থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরবু রন ১৬৯ দা থোইখি। অদুগা মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা সেদো থাংমৈবন্দনা য়েসতন নিংথৌখোংবু রন ১৪৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  অহুমসুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেম্মা দেবী মেমোরিয়েল টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এস.য়ু.এস.ভি.সি শগোলবন্দনা আর.এন.ই.এফ.এম.আই.সি.এ ময়াং ইম্ফালবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে। অনিসুবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু রন ৬৫ দা থোইখি।

------